ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯅꯣꯕꯦꯝꯕꯔ ꯱꯲, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯲꯲ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, নবেম্বর ১২, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ২২২ শুবা মশীং

# মণিপুরদা চোপ্পর সার্ভিস

## *সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্কী থৌরাং তরাম্না ওকসি*

*অৱাং* নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা লম্বী-থোংগী ফীভম ফত্তবদা মণিপুরসু য়াওরি। মরুওইনা চীংগী লমনা হেন্না পাক চাওবা মরম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদসু কা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লবা মফম কয়ামরুমসু মণিপুরদা লৈরি। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সব দিভিজনশিং হায়বদি তামৈ, তৌসেমনচিংবগা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগা ফাউনবদা থোক্লিবা খুদোংচাদবশিং মীয়াম্না খঙই। পূম্নমক অসিগী মথক্তা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকীসু পারবুং, হেঙলেপনচিংবগা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগা নোংজুথাগী মতমদা ফাওনবা য়াদবা অমসুং অথু-অকায়গী ওইবা থবক থৌরমশিংগী পাউ ফাওদোক ফাউজিন্দা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। খ্বাইদগী নুংঙাইতবা অমনা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা জিরিবামগা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগগী মরক্তা লম্বী ফাওনবদা খুদোংচাদবা অমসুং নোংথক্কী লম্বী লৈতবনা মরুওইনা মহৈরোয়শিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি কোকহন্ননবা করি তৌগদগে হায়বা লৈঙাক্লা মতম চুপ্পদা খন্দুনা লৈরমগনি। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা লৈবা অরুনাচল প্রদেশ, মিজোরাম্নচিংবদসু ষ্টেট মনুংগী ওইবা চোপ্পর সার্ভিস লৈখ্রে। মণিপুরগী ওইনদি হন্দক য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা খ্বাইদগী অহানবা ওইগদৌরিবনি। মসিনা কয়ামুক য়াম্না মীচম মীয়ামদা কান্নবা পীগদগে হায়ববু চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামগা মণিপুরগী ময়োন লম ওইরিবা ইম্ফালগা অদুক্কী মতিক নকশিন্নহনবা ঙম্লগনি। অসুম্না নকশিন্নবা মরী লৈনবসিনা ষ্টেট অসিদা কাঙলুপ মশেল নুংশি চান্নবা হেনগৎহনবদা নত্তনা অপূনবগী শক্তম ঙাকমীন্নবদা মপান নাইদ্রবা কান্নবা ফংগনি। খুদক্কী ওইবা অনা অয়েক য়াওরকপদা লায়েংফম লৈতবগী থেংনরম্বা অৱাবশিং পুং খরগী মনুংদা কোকহনবা ঙম্বগী লম্বী উরক্লে। অসিগুম্বা লৈঙাক্কী খোঙথাং অসি থেংলবসু থেংনা তরাম্না ওক্তবা ঙমদে।

চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফমদা রিজিনেল কনেক্টিভিটি স্কিমগী মখাদা মণিপুরদা ইন্ট্রা ষ্টেট অমসুং ইন্টর ষ্টেট হেলিকোপ্টর সার্ভিস লৈহন্নবা অমসুং সার্ভিস অদু থবক্তা ওন্থোকপা য়াননবা মণিপুর লৈঙাক্লা মিনিষ্ট্রি ওফ সভিল এভিএশনগা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা খূৎয়েক পীনবগী অয়াবা পীখ্রবা মতুংদা ঙরাংমক এম ও য়ু অদু খূৎয়েক পীনখ্রে। এম ও য়ু অসিগী মতুং ইন্না ইম্ফাল-সিলচর-ইম্ফাল নুমিৎ খুদিংগী চোপ্পর সার্ভিস লৈরগনি। ইম্ফাল-দিমাপুর-ইম্ফালগী সার্ভিসনা চয়োল অমদা অহুম্লক লৈগনি। মসিদা নত্তনা ইম্ফাল-অগরটালা ভয়া শিলচর, ইম্ফাল-আইজোল ভয়া শিলচর অমসুং ইম্ফাল-শিল্লোং ভয়া শিলচরগী সার্ভিসসু লৈরগনি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা ইন্ট্রা ষ্টেট হেলিকোপ্টর সার্ভিসকী অহানবা ফেজদা ইম্ফাল-মোরে-ইম্ফালগী সার্ভিস নুমিৎ খুদিংগী লৈহনবা, ইম্ফাল-তমেংলোং-জিরিবাম-তমেংলোং-ইম্ফাল সার্ভিসনা চয়োল অমদা অহুম্লক লৈহনগদৌরি। ইম্ফাল-থানলোন-পারবুং-থানলোন-ইম্ফালগী সার্ভিসনা চয়োল অমদা অনীরক লৈহনগদৌরি। লৈঙাক্কী থৌরাংশিং অসিনা মতম অমদা ইম্ফালদগী পারবুংদা নৎত্রগা পারবুংদগী ইম্ফালদা চৎচনিংবা মীচম মীয়ামদা লৈরম্বা খুদোংচাদবশিং অদু কোকহনবা ঙম্লগনি। অহল ওইরবা, মপাঙ্গল ময়েং তারক্লবশিং ফাওবা নুংঙাইনা পুঙ্খায় অমগী মনুংদা মণিপুরগী মফম পূম্নমক্তা অমদগী অমদা য়ৌহনবা ঙম্লগনি। মরু ওইনা জিরিবামগী ওইনদি হান্নদগী হৌনা ফ্লাইট সার্ভিস লৈতবগী খুদোংচাদবা অদু হন্দক্কী অসিনা কোকহনবা ঙম্লগনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, থমগদৌরিবা চোপ্পর সার্ভিস অসি মীচম মীয়ামগীরা নৎত্রগা শেঞ্জাও পায়বা লল্লোন ইতিক তৌবশিং অমসুং লৈঙাকপগা মরী লৈনবশিংগীরা হায়বসিনি। লায়রবা মীচম মীয়ামগী ওইরবদি বিলো প্রোপর্টি লাইনগী মখাদা লৈবা মীচমশিংসু শেল য়াম্না তিংহন্দনা চোপ্পর সার্ভিস অসি ফংহন্ননবগী খুদোংচাবা পীবা চুমগনি। মদু নত্তনা অতোংমল য়াম্না ৱাংনা লৌরবদি মীচম মীয়ামদা পীরিবা কান্নবা অসিগী খুদোংচাবা লায়রবশিংদি ফংবা ঙমলোইদবনা হৌজিক্তগী হৌনা লৈঙাক্লা চনিং তানা খন্থবীরগা থবক তৌহন্নিংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩১

১। ‘‘কনাসু ঐগী মিং খঙদে/ঐনসু হায়দোক্তে/অদুগা মাগা ঐগদি খঙই।’’ ৱাহৈশিংসি কনানা ইবা নোভেলদগী লৌথোকপনো?

২। ‘‘কবি/মহৌশা লমদমদা লাকপদা/... মৌ নহাশিংনা নোকপদা/নঙনা করম্না নোক্তবা ঙমগনি।’’ কবি কনানা হায়বনো?

৩। ‘একাশি গঙ্গা’ লমকোয় ৱারীসিগী অইবীদু কনানো?

৪। ‘ইলিশা অমগী মহাও’ বু বেঙ্গলীদা হন্দোকপা অইবদু কনানো?

৫। ‘ঐখোয় অনীগী অনৌবা সংসার’ রেদিও লীলা অসিগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৮, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩০ গী পাউখুম মঙামক অচুম্বা অমত্তা য়াওদবনা পাউখুম অহুম চুম্না খুম্বীরকখিবশিং খনগৎচরগা দ্রো ওৎচবনি। পাউখুম অহুম চুম্না খুম্বীরকখিবশিংদি**

| | | |
|---|---|---|
| ১। | সগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায় | (৩) |
| ২। | নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা লম্বী মাইবম লৈকায় | (৩) |
| ৩। | চিরোম সুরজিৎ সিংহ, ময়াং ইম্ফাল বজার | (৩) |
| *৪।* | *কে মেমী দেবী, ময়াং ইম্ফাল বজার* | *(৩)* |

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৩০ গী ৱিন্নর**

*কে মেমী দেবী, ময়াং ইম্ফাল বজার*

দ্রো ওৎপদা মরাইবক ফবা ওইখ্রবী

**খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

নবেম্বর ২০, নোংমাইজিং নুমিৎগী নুংথিল পুং ৪:০০; হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩০ গী পাউখুম

১। ‘থোং নম্বোনবী’ কৌবা শৈরেংগী লাইরিক্তু কনানা ইবনো?
ঃ- মাখোনমনি মোংশাবা

২। ‘পুন্সিনা পুন্সিগীদমক’ কৌবা রেদিও দ্রামাগী লাইরিক্তু কনানা ইবনো?
ঃ- মোইরাংথেম প্রিয়ব্রত

৩। ‘‘শৈরেং অমা উমদুনা/অসুম চৎলি অসুম অসুম/শৈরেং অমা...।’’ অইবী (কবি) নুপী কনানা হায়বনো? ঃ- অরাম্বম ওংবী মেমচৌবী

৪। "Behind a curtain" হায়না ইংরাজিদা লাইরিক ওইনা হন্দোকপা অইবদু কনানো? ঃ-কোন্সম কুল্লধজ

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞
ঃ-মোইরাংথেম চন্দ্রসিংহ



# মীনা হাৎনীংবা ঙাঙবা য়ারেনা অদুদি !

**ৱাইরু ৱাইরুবদা**
**হোঙবা**

‘‘**শিরমতারদি** ঙসি অসি শোরাৎ নুমিৎ শোয়দনা তাগদৌরিবনি অদুবু উচিন নাচিন্না শিহৌদ্রে।’’

মাইনম ইবোচৌনা ফমুংদা মশুনুপীনা ঙাক্লগা ফম্না ফম্না হায়রকপা ৱানি। চহী ৮০ খজিক লান্থোরক্লবা ইপলনি। ইমাবোক্তি চহী ওল্লে লৈখিদবা। চহীদি ইপল ইবোচৌনা ইমাবোক অদুদগী তরেৎ নিপান হন্দুনা লৌখিবনি।



শিবগীদি নহান্না শিরবসু হৌজিক মতম খরা চোন্থরগা শিবু শিরবসু থোইদোকপা অহেনবা খুদোংচাবা ফংগদবা লৈত্রে। লৈবাক্কী কান্নবা ওইদৌবা লৈত্রে হায়। নহানমখৈগা মান্নদবা ৱাতা অমা তৌই হন্দক মরক। মঙানি, তরানি মমাঙদা নাদুনা অনা লায়েংশঙদা লোংনা হীপ্লগা ভেন মনিংদা হিপ্পগা পুবদু হিংনি হায়বা থাজরুদ্রবনি। মতমদুদা ইপল অসিনা নাহেবদা তোয়না তোয়না নুংশা শ্বর হোনবা খুদিংগী হায়রম্বা ৱাহৈ অসি শিজরগে শিজরগে, তেংবানবা অসিদা করি থোইনা হেন্নবু অহেনবা নুংঙাইবা লৈদুনা হিংজরুদৌরিনো হায়বসিনি। শিজরগে শিজরগে হায়বা হেনমন্দনা মনাক্তা চঙগদৌবা হঙ্গোইনরবনি।

হন্দক্লা অমুক মতম খরা হিংবা পাম্মী। তৌগদৌবা থবক খরা লৈরে, শিদুনা চৎখ্রবদি পাঙথোক্কে খনবা থবক অসি পাঙথোক্লমদনা হনখিবা তারে য়াম তোয়না হায়। ঐ হিংজখিগে ঐ হিংজখিগে, হিংদবা য়াদবা মরম খরা লৈরে। হায়রমগদবা, তৌরমগদবা থবক খরা তেল্লবা মতম খরা লৈরিঙৈ অসিদা চীন পেন্না তৌরম্মগে হায়বা অসিনি।

শিনি খঙলবা পুন্সিনি, হন্দক্তসু শিগে তৌরুরে। শিবা হায়বসি লোইশনবা নাইবা হিংবা কৌবা খোঙচৎ অমগী পন্থুংফমনি অদুনা মসিগুম্বা করিসু লৈতবা পোৎ অসিগীদমক ৱারুবা য়াদে, হিংববুসু থোইনা হেন্না করাম চাউবা উৎতুনা পামশিল্লুবা য়াবা নৎতে। অদুনদি হিংলিঙৈদা মীয়ামগী কান্নবা য়াবা থবক খরা খরদি তৌরম্বা য়াইনা। অমুক্তং পোকপা মীওইবগী মপোকনি। হিংলিঙৈ খুদোংচাবা লৌদুনা লৈবাক্কী ফনবরোমদা মায় ওনশিনবনা লাকচরক্কদবা লৈ হায়দুনা ফমুং মথক অদুদা ফম্মগমুক শোল্লি, হিপ্পগা অমুক শোল্লি।

মপাঙ্গলনা তেং তেং লাউনা কল্লিঙৈ শিবা কিরম্মী। খুবোমদা, পাম্বোমদা, থম্মোয়দা ৱাখলদা নাউ শারক্লবা মতম অসিদা কদোমদগী অফৈবা অয়ূক্কী নোংহৌগুম্বা থৌনা অমা লাকই ইপল ইবোচৌ। লায়না মান্নদে মী খুদিংমক্কী। য়াম ফজবা লায়না অমনি হায়না মশানা নাপল অমা তৌনা হায়বগুমসু তৌরি। ফজবা লায়না অমা ওইসু ওইরে।

চহী কয়া হিংলকপদা মীয়ামগী ফনবা করি অমত্তসু হায়বা ঙমখিদে, মীয়ামগী য়াইফনা করি অমত্তা খনবফাওবা ঙমখিদে। লায়রনা পোক্লে লায়রনা শিদৌরে। অহোংবা লৈতে। মীখল অমা লেপ্তুনা কাদুনা মীয়ামগী থবক তৌবা ঙম্নবগী নৎত্রগা হুরানবা য়ানবগী লাইসেন্স মচেৎ অমা ফাওবা ফংখিবা লৈত্রি। পোকঙমদনা পোকপা, অমুক্তংসু পোকপা শিখ্রগা অমুক হন্না পোক্তুনা ঐ হন্দক মপোকসি কান্নদে অমুক্তংগা য়াম মওং তাদে অমুক অফবা খরা তৌরমগে হায়রগা অমুক লাকপা য়াবা মপোক নৎতে হায়না য়াম্না ৱাখল মাঙদনা হায়গৎলক্লে। পুন্সিগী মমৈদা হান্না তৌরমদ্রবা থবক কয়া বাকি-শিকি লাকখৎলগা তৌরম্মগে হায়রে।

নহান নোংমনি লাক্লিবা এসেমব্লি মীখলগী ভোট খোন্বা মী ময়াম অমা লাক্তুনা মাগী কাদা চঙলকলে। মীরেপনি হায়বা হৌজিক হৌজিক এম এল এ ওইরিবা জেন্টলমেন অদুসু মাগী মনাক্তা ফম্লরে। তনোই তনোইবী মশক মতৌগা য়াম ফজবী মৌনহা ইনাক কৈরাক খুনবী মানবী ময়ামগসু য়াওরক্লি। মৌ নহাশিং অদুনা খুরা অনাবা ফবিরোকা হায়দুনা মরৈ কোল্লে। মীরেপ অদুনা নমসতেগা তৌরদুনা মনাক্তগা ফম্লদনা খুদাংগা পায়দুনা। ইপল মচীং অরাংবী লাক্তুনা হায়রকই, ‘‘ইবুংঙোশা, ইবেম্মশা নহালমখৈদি উদেকো নোয়, কয়া কুইরে নখোয়না খদ্রক তৌদুনা চহী তরামঙা পান্দুনা লাক্লিসে করিসু তৌদে, অনাবগা হংজিন্নরদনা, হেলথ সেন্টর অমা লৈরিসি দাক্তর থারক্কেদি হায়দেনে, লম্বীদুবু নোং চুবা অদুদা গাড়ী পুৎথরক্ত্রা? স্কুলগাদুনা নোহোয়না নহালৱাইরম জ্বার শান্নরম্বা মফম অদু মালহৌদ্রো? হা... লম্বী শেম্বীগেদি হায়দে ভোট ময়াদা ইবেম্মা নখোয়সু খুবোম অঙৌ অঙৌবা তাখৎলগা লাকপীরিবা অদুবু নখোয় নবুংঙো অসিদা অমুক্তা হায়দ্রো হা।

এম এল এ অমদি মাগী মরোই মনাউ ময়াম মমীৎ মনা চপ য়ুংই। মৌনহাশিং মমায় ঈচপমুক ঙাংজৈ। ইপল ইবোচৌ ৱা মখা তাই, ‘‘লৈবাক্কীনি হায়দুনা করি অফবা অমত্তদি তৌদে অদুগা মীখল ময়া অসিদা খদ্রক তৌদুনা অশি অনা, হনু হন্থি থিবা লাক্লিবা অসিরা নখোয়গী পোলিটিক্স।’’ মীরেপ অদুদি আহ তাদা ৱাখল অদু ওন্নরে হায়বা নৎতনা করিসু হায়বা ঙমদ্রে। নোকশন্নরগা অদুম থোকখ্রে।

মখোয় চৎখ্রগা ইপল ইবোচৌনা হায়হৌই, ‘‘শিখ্রদৌবা পুন্সিনি। মীনা হাৎত্রসু অদুম শিদৌ লৈরে - শিরমদাই য়ৌরবা ঐখোয়দি মীনা হাৎনীং হাৎনীংবা অচুম অচুম্বা ৱা ঙাঙবা হৌরম্মগে, মসিনা লৈবাক্কী থৌগল তৌবা ওইনা খঞ্জরগা পুন্সি পন্দোল লোমজখিগে।’’ অমনবা ফমুং কাংথক অদুদা অশাউবা ফীভমদা ঙাঙলগা লৈহৌই।

# মমিং ফাওবা শেংনা খঙলক্তবা

**—— নবকুমার ওইনা ——**

লমদমসিদা লৈরিবা ফুরুপশিং অয়াম্বা মশাগী অমদি ফুরুপকী মমিং ময়েক শেংদবা, অশেংবা অমা পীবা ঙমদবনা য়ামশিল্লক্লি। মমিং অনী লোংবা ময়াম য়াওশিল্লক্লি। মসিমক ফজবা অমনি হায়বদি য়ারোই। য়েৎনবগী, শাওনবগী নত্তবদা ৱাখল লৌশিংগী থাক অমা উখোকপগী চেকশিন্নবা উদ্রি। মালেমগী থাক্তা হিংবা ঙম্বা ঙমদবগী ৱাফম লাক্লি।

মালেমগী মীয়াম্না খুন্দা লৈতাদবা, চনিং তাদ্রিবা খুন্নাই থিরকপা থোক্লবদি লমদম অসি ওইবসু য়ারক্লি। ঙসি ফাওবা নোমেদিক ওইরিবগী খুদম ওইগদৌরিবরা? মাইগ্রেন্ট চঙলকপা য়ারিবা লমদম্না করি ওইরকপা য়াবগে? ইন্নর লাইন পার্মিসন্না করি কান্নবা য়ারি? মাইগ্রেন্ট ঙাক্তগী চাইনবুং ওইরক্কদৌরিবরা? ৱাহং ময়ামসিগী পাউখুম কনানা পীগদৌরি? চেকশিল্লিবগী থাক কদায় য়ৌরবগে?

ৱা খন্নগদৌরিবশিং হান্ননা চঙশিল্লকখিবা মীওইনা য়ামশিল্লক্লবদি ৱা অদুম থোক্লগনি, থোকপা হৌরক্লবনি। ৱাথোকশিং অসিদা মিংগী চয়েৎনবসু অদুম য়াওরক্লগনি। মিং শেংদবা হায়বসিমকসু অনৌবা কাঙলুপ অমা ওইবা য়াবগী মরম লৈরকই। চহী লিশীং মরি-মঙা শুরবা ফুরুপশিংগী মিং হোংদোক হোংজিন কয়ারক তৌরম্বা য়াই। মদুমক্লা মিং অনী লোংবগী মরম ওইদবসু য়ারিবনি।

মিং অমা থোল্লকপগী ৱাহন্থোক য়াওজবা মরম অদুম লৈগনি। য়াম্না চাউবা ফুরুপ ওইরবসু ৱারেপ লৌবা মতমদা মীয়ামগী অয়াবা য়াওরবদি অনী থোকপগী ৱা লৈফম থোক্তে। ম্যান্মার, চেন্নাই, মুম্বাই য়েৎনবা তাখিদ্রে। লমদমসিগীনা ৱারোইশিন লৈত্রিবা করিগীনো? মদুমক ৱাখল লৌশিংগী থাক অদুনা ওইফম থোক্লকই।

মিংথোলশিং অসি মিথোলেজিকেল ওইনা থোনবা মিংথোল ময়াম য়াওরি। থিগৎলবদি সোসিয়েল, ফোনেটিক্কী ওইবা এন্থ্রোপোলোজিগী মিৎয়েংদা য়েংবা ঙম্নদ্রিবগুম তৌনরি। মসি নত্তবদা কাঙলুপ অমনা কাঙলুপ অমা চুপশিনখিবগী ৱা কয়া অমসু য়াওনরি। লূপশিনখ্রবা কাঙলুপ অদুনা মখা তানা য়ানিংদবা নৎত্রগা তোঙান্নিংবগী ৱাখল লৈবদগী কাঙলুপ অমা ওইনা শাগৎলকপা য়াওনরক্লি। মসি পূম্নমক থৌরাং অমা ওইনা ফোংনা নৈনফম থোকপনি, নৈনবসু য়াওখ্রে। কদায়ফাওবা সাইন্টিফিক ওইখ্রবগে? হায়বা ঙাঙবা কনবা অমনা অচুম্বা শকপগী ৱাফম লৈখ্রবদি মৈগী চীং ফুঞ্জিনবগুম্বনি। খন্থনহৌদবগী ওইবসু য়ারি।

মিংথোল হায়বসি মমিংনি, থোনবনি, ঈগী মচুগী ৱাফম নৎত্রে। থায়নদগী কাঙলুপ শাগৎনবগী ৱাখল্লোন্দু ঙসি ফাওবা চুমদুনা লৈগনি হায়বদি য়ারক্লরোই হায়বসি খঙমিন্নবা অমা চঙলি। লম লাপ্না লাপ্না লাক্লরগা ফুরুপ শাগৎনরবদি কনফ্লিক শাগৎপনি হায়না লৌনগনি। চাইনাদদি মদুগুম্বা মীওইশিং নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎখিবগী পাউ লৈখ্রে। লমদম অসিগী লৈঙাক্লা মদুগুম্বা থৌদাং লৌবা লৈত্রি। খুন্নাইগী মীয়াম্না থোকউ-থোকউবা খৎনবা, হাৎনবগী থাক্তা লৈনরি। মীয়ামগী ৱাখলদা কাঙলুপকী শাফু য়াম্না কন্নরি, পূন্না হিংমিন্নবগী লৌশিং খঙবা হৈবা য়াম্না ৱাৎলি। কাঙলুপশিংগী মরক্তা লম মুন্নবগী ৱাফম লাকপসিনা মিং শন্দোকপগী ৱাফম অমসু য়াওশিল্লক্লি। অচৌবা ফুরুপ অমা শাগৎনবা, নেসনগী থাক্তা লৈবাক অমা শেমগৎকনি হায়বা য়াওনরক্লি। সি পূম্নমক ৱাখল লৌশিং অমগী থাক ওইফম থোকই। য়ু কেগুম্বা লৈবাক অমা শাগৎখিবগী মওং নত্তে। ঙসি তৌরিবসি হয়েং লোয়নমক চুমগনি হায়বা লৈতে।

ৱাখলগী থাক লেপ্পা হায়বসি অরায়বা নত্তে। পূম্নমক চুম্মী হায়বসি চুমদবা অমনি। ‘য়েৎনবা থোক্কনি ঙাঙনগনু’ হায়বসি চুমদে, ঐগীনা চুম্মী হায়বসু চুমদে। ৱাফম অমা টেবলদা থম্লগা ময়ামগী ৱাখল লৌশিং চুংশিন্নরগা মসিনা ফগনি হায়বগী ৱারেপ পূন্না লৌমিন্নবা ঙমদ্রিবা হায়বসি মীয়ামদুগী ৱাখল লৌশিংগী থাক ৱাংবা মাল্লি হায়বনি। ৱাথোকসি ৱাখলদগীনি। ৱাখলনা লেপ্লিবা কাঙলুপকী মিংদা মীচং শঙ্গ লৈনরিবসি মতম পূম্নমক্তা চুমদুনতা লৈবা ৱাফম ওইরক্তে। ঙক্লিবদি লমদম অসিগী মীওই অয়াম্বদি মদুগী থাক্তা লৈবগুম তৌবনা ফুরুপ খায়দবা খুন্নাই হায়বদুগী মশক-মহাও খঙবা ঙমখিরোইদৌরি। অদুগুম্বা থাক অমদা চঙশিনবা ঙমদ্রিবা হায়বসি নাপল অমদা হিংবা ঙমজদ্রি হায়বনি। ঙসি তৌনরিবা নাপল অসিনা মদুগী ওন্ন-তৈনবদা লেল্লিবা থাক অমনি।

মান্নদবা কাঙলুপ ময়াম মমিং অমদা পুনবা য়ারবদি মান্নরিবা ময়াম পূনবদনা কনানা য়ারোইদৌরিবনো? মালেমদা লাই নীংবা তোক্লবা য়াওরক্লবনি। মসিমক ৱাখলগী থাক্কী ৱানি। লাই নীংবা তোক্লরক্লবদি মীতৈ পাঙলগা মীতৈগা করিদা খেন্নগদৌরিবনো? চীংমীগা মীতৈগা করি অমুক খেন্নগদৌরি। লোন মান্নদে হায়বনা য়ারোইদৌরি, মরমদি পুল্লে হায়রিবা চীংমীশিং লোন মান্নদবা ময়াম য়াওরি। মীতৈলোন হায়রিবসি চীংগী লোন ময়ামগা মান্নরিবনি। মতম মতমগী শা-লান অমসুং লৈঙাক্কী চৈথেংনা তোৎশিন্নবা য়াওখিবগী ৱানি। ঙসিনা মণিপুরী কৌদুনা লৈরিবনি। মসি পূম্নমক মীয়ামগী ৱারেপ ওইখিদে, মীওই অমা অনীনা হৌদোকখিবগী ৱারী লৈরিবনি। মীয়ামগী ৱারেপ লৌনরগা শেমদোকপা চুমথোকপা য়াবা ঙাক্তনি।

মীতৈ পাঙলনা য়ূম্নাক লৌদুনা য়েক সলাইদা তিনবা হৌখ্রগা ফুরুপ অমা ওইনা অমুক শাগৎপা তারক্লবদি হান্ননা মীতৈদা পূনখ্রবা খুমন্না, মোইরাংনা মশাগী পুৱারী লৈজবা মরম্না ফুরুপ অমা অমুক শাগৎচবা তারক্লিবরা? তাঙ্খুলনদি মশাগী পুৱারী লৈনা লৈনা মান্নদবা ফুরুপ অমা শাগৎপদা য়াওগনি, হান্নগী ঈ পূনবদু খঙদে হায়বা তারক্লিবরা? ৱাফমসি পুথোকপগী মরমদি পুনশিন্নবগী মহুত্তা মহৌশাগী ঈচেল অমদা পা-মরী, পী-মরী পূল্লবশিং পূন্না য়েংবা হৈতবদগী খুন্নাইসি থুগায়রকপগী থৌদাং মখোয়না লৌখিবনি হায়বসিদি ময়েক্লা তারকই হায়বনি।

য়ূম্নাক শাগৈ খরদি চারোল তরেৎ হেন্না ঈ পুনখ্রবা ফাওবা ফুরুপ ওল্লকখ্রবা ইপুদুগী য়ূম্নাক অমুক পুথোক্লরকপা য়াওনরক্লি। মদুমক্তি লান তাশিল্লকপনি হায়না লৌনরক্লবদি অমুক হনখ্রো হায়বগী ৱাখল পোক্লরক্কদৌরি। লাইনীংদা য়ূম্ফম ওইরুবগী অচেৎপা কাঙলোন অমা লমদমসিদা লৈতে হায়বসি খঙমিন্নবা চঙই। ঙসিমক লাইনীংগী হোংদোক হোংজিন তোক্লদ্রিবগী মরমদি লাইনীং হায়বসি ঈগী মচু অমা ওইরক্ত্রে হায়বনি। লোন্না অমা ঙাঙবা, নাটনা অমা চৎপা, লাইনীংনা মীগী অমা ৱায়বগী শক্তম অসিমক লাইনীংবু লুম্না লৌনরক্তবগী থাক অমদা চঙশিল্লকপনি। মালেমদা লাই নীংবা তোক্লরকপগী নুংশিৎ অদুমক মীওইবগী হৈনবীদা য়ৌশিল্লকপনি হায়না লৌবা য়ারক্লি। ৱাখলগী খুমাং চাউশিনবা অমনি হায়না লৌবসু য়ারিবনি। ৱাখলনা অমনি, চঙশিল্লিবা লম্বীনা অমনি।

লাই নীংবদা নুপীশিংনা নুপাশিংগী লাইনীংগী তুং ইনগদৌবনি হায়বা লৈতে। মী অমগী লাইনীং হেক্তমক হোংঙু হায়বসু য়াবা নত্তে। সনামহী নীংদুনা লাক্লগা ময়ূম পানখিবগা লাইদু নীংবা তোকপা হায়বসি লাই নীংদে হায়বনি, লাই নীংবসি তোক্লবসু য়াই হায়বনি। লাইনীংসি হোংদোক-হোংজিন য়াই হায়বসি তশেংবদি লাই নীংদ্রবসু য়াই খঙনরকপনি। লাইগী মরুমদা কাঙলুপ শাগৎনদুনা লৈবগীনি। লাইনীং হোংবা য়াদে হায়বা তারবদি পাঙল নুপীশিং সনামহী লাইনীং চৎপা তারকই। চীংদা খৃষ্টান তোকপা তারকই, নোংচুপ হারমগী ঈশিং উমংলাই লাৎপা তোকপা তারকই। হিন্দুগী লাইশঙশিং, উমংলাইগী লাইশঙশিং, চর্চশিং, মসজিৎশিংদগী লাই নীংলগা থোক্লকপশিংগী চাকচা-ঙা, শাজৎ-লিচৎ য়েংলগা লাইদু করি ওইনা উগদৌরি হায়বা ৱাহং লাক্লি। ইশম শম্না লাইনীং হায়বসি লাইগী লিচৎ চৎপগী নত্তে, নাৎ অমা ওইবগী তুং ইনবনি হায়বা তারক্লি। নাৎ হায়বসি তাৎ মাল্লক্লি।

লাইনীংনা ফুরুপ অমা শাগৎপা লাল্লক্লে। লাইনীং অমদা ফুরুপ ময়াম য়াওশিল্লক্লে, ফুরুপ অমনা লাইনীং ময়াম লৌশিল্লক্লে। মসি পূম্নমক মুন্না খন্থনরুদবগী ৱানি, ৱাখল্লোনগী থাক অমদা চঙশিল্লক্লিবনি। লাইনীংগা মিংগা চুশিন্নবসু লৈতে, লাইনীংদা ‘মীতৈ চৎপা’ হায়বা য়াওরি। ইশাগী মিংদা ‘মীতৈ/মৈতৈ’ হাপ্পা য়াওরি। নুপী খরদি ‘দেবী’ গী মহুত্তা ‘শর্ম্মা’ হাপ্পা উরক্লি। ফজবনি খন্দুনা পংতৌ তৌরুবগী অরুবা মতাং লাক্লে। ঙাঙনরিবা ৱাশিংসি ৱাহন্থোক লানবা য়াওরক্লে। লৈবাক কায়নবা শিনবা তারক্লে। খুন্নাইসিগী শক্তম ময়েক শেংদনবা শিল্লুবনি হায়বা ময়েক শেংলক্লে। কাঙলুপকী মিংদসু পংতৌ তৌরুবগুম মিথোলোজিগী ৱাহন্থোক পানশিন্দুনা অনী থোকপী মালহল্লে। অচৌবা ফুরুপ শাগৎপদা কাঙলুপকী মমিং অনী-অহুম শুজিল্লক্লে। পুন্দবদি য়ারোইদৌরি, পুল্লক্লি।

লৈমিন্নরদি চারৌ-মৌরৌনবা তারক্লি। য়েক থোক্লবা (consanguineous marriage) হায়বসি থোক্তনবা কাঙলুপকী মিং অনী-অহুম থোক্লবসু য়েক-সলাইগী কয়াৎ শেমদোকমিন্নবা তারক্লি। কাঙলুপ মান্নদবশিং চারৌ-মৌরৌনবা মতমদা হান্ননা ঈ-মরী ওইখ্রবশিংগীদি য়েক থোক্লবা, পেতিন্নবা থোক্কদৌরি। ঈ শোয়লোম্বা থোক্তনবা হান্নগী ঈ মরী থিগৎনবা তারক্লি। মরী থিগৎনবদা মহারানী ওইখ্রবী নেপালিগী শাগৈদগী পারগা, চীংগী য়েক সলাই লৈরিবসি মান্ন-মান্নবা মশক খঙনা থম্নদবা য়ারক্লোইদৌরি। মীতৈ পাঙলগী য়েক সলাইদু শীজিন্নদবা য়ারোইদৌরি।

য়েক সলাই পুশিল্লুবগী মরমদি মিং অনী থোকপগী ৱাখল্লোন ময়ামসি য়েক সলাই মান্ননা পূন্নরবা কাঙলুপ ময়ামসিগী অপূনবা ৱাখল্লোন ৱাংখৎলক্লবা মতমদা ইশাগী মিং অশেংবা অমা পুথোকপা ঙম্নরক্কনি থাজরুবগীনি।